# মপূংফাবা মেজোরিটি ফংদুনা হল্লক্কনি ঃ মোদি



***ন্যু দিল্লি, মে ১৭ঃ***
হৌজিক ফাওবগী মনূংদা মহাক্কী অহানবা প্রেস কনফরেন্সতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীখলগী মতাং, প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা হৌখিবা চহী ৫ অমসুং চংখরিবা মীখলগী কেম্পেনদা মানা থেংনখিবশিংগী মতাংদা ঙাংখ্রে।

বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহগা লোয়ননা পাউমীশিং উন্নবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামবু থাগৎখি অমসুং মীখলদা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

পাউমী অমনা হংলকখিবা ৱাহং অমদা ঐহাক থকসি–খাসি ইনবা অমনি, পার্টি প্রসিদেন্ট অসি ঐগীদমক্তি খুদিংমক্কি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি।

নখোয়না ঐবু মায় পাকহন্নবা চানবীবগীদমক ঐহাক্না নখোয়বু থাগৎনবা লাক্লিবনি। হৌখিবা চহী ৫ ঐহাক লৈবাক অসিগী থবক তৌবা ঙমহল্লে, মদুগীদমক নুংঙাইজে। ঐখোয়না অমুকহন্না লৈঙাক্কী শক্তি হেক পায়রকপগা ঐখোয়গী মেনিফেষ্টোদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু হেক ঙল্লিবমখৈ থুনা থবক পাংথোকপা ঐখোয়না হৌগনি হায়খি।

অনৌবা গভর্ণমেন্টনা হেক ওইথোকপা য়াবা মওংদা পূন্নমক দায়ত্ব লৌগনি। ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টকী অখন্নবশিংগী মনূংদগী অমদি খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা অদুদা কান্নবা য়ৌহনগনি। মপূং ফাবা মেজোরিটি লৈবা গভর্ণমেন্টনা অমুক হন্না মেজোরিটি ফংদুনা হল্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা তোয়না থোক্তে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পাউমীশিংদা হায়খি।

ঐহাক্না নখোয়বু থাগৎনবা লাকপনি হায়না ঐনা লৈবাকসিগী মীয়ামদা হায়রি। অকা–অকুমশিংদা নখোয়না মায় পাক্লবা চানবীবগীদমক থাগৎচরি।

লৈবাক অসি মতম পূন্নমক্তা ঐখোয়গীদমক লেপ্লি মরম অদুনা মওং অমদা মীখলগী কেম্পেন অসি থাগৎপা ৱাহৈ পীনবগী মওং অমনি। ঙসি অসিমকসু নখোয়বু থাগৎনবা অমসুং নখোয়গী খূত্থাংদা লৈবাকসিগী মীয়ামদা থাগৎনবা ঐহাক মফম অসিদা লাক্লিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

ঐখোয়না ৱাফম খরা চাওথোক্লা হায়বা ঙম্মি হায়না ঐনা থাজে ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসি খ্বাইদগী ফবা অমনি, অফবনা পীক থল্লি, মালেমগী মনূংদা ঐখোয়না খ্বাইদগী চাওবা দেমোক্রেসি অদুনি। অদুবু ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বা অদু উথোকপা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা থৌদাং য়ামীন্নগদবা অমনি হায়না মোদিনা মখা তাখি।

# বি জে পিগী মুকুল রোই, সামিক ভত্তচার্য্যগী গাড়ীশিং বেঙ্গলদা অকাই–অতোই থোকহনখ্রে




***নোর্থ ২৪ পরগনাজ, মে ১৭ঃ***
বি জে পি লূচিংবশিং মুকুল রোই, সামিক ভত্তচার্য্যগী গারীশিং ঙরাং নুমিদাং বেঙ্গলগী নোর্থ ২৪ পরগনাজ দিষ্ট্রিক্তা শকখংদবা মীওইশিংনা অকাই–অতোই থোকহল্লমখ্রে।

মিষ্টর ভত্তচার্য্যনা দম দম লোক সভা সিটকী বি জে পি মীরেপনি। মখোয়গী কারশিং থুগাইরমখিবা মতম অদুদা লূচিংবা অনীমক অদু নগেরবজার এরিয়াগী মফম অদুদা লৈখিদে।

চংখরিবা লোক সভা মীখলগী হৌখিবা তাঙ্কক ৬ অদু লোয়নমক্তা বেঙ্গলদা হীংশা থোকখি। হৌখিবা চয়োলদসু ৱেষ্ট বেঙ্গল বি জে পি চীফ দিলিপ ঘোস অমসুং অসাম মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মগী কনভোইদা পুর্বা মিদিনিপুর দিষ্ট্রিক্টকী খেজুরি এরিয়াদা ত্রিনামুল কোংগ্রেস শৌগৎপশিংনা খূৎ থারকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিট শাহগী রোদসো মনূংদা হীংশাগী থৌদোকশিং থোকখিবা মতুংদগী মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা ৱারেপ অমদা ইলেক্সন কমিসননা বেঙ্গলদা অরোইবা তাঙ্কককী ভোটকী কেম্পেন মতম ককশিনখি।

মীখলগী ভোট খোম্বা অথীংবা থন্নবা ইলেক্সন কমিসনদা য়েংশিন্নবগী, পাউতাক পীনবগী, মীখল অদু লাক্লিনবগী শক্তি পীরিবা কনষ্টিট্যুসনগী অর্টিকল ৩২৪ ইলেক্সন বোদিনা শিজিন্নখিবসি মসিনা ইহান–হানবনি।

মে ১৯দা ভোট থাদনগদৌরিবা বেঙ্গলগী সিট ৯গী কেম্পেন তৌবা নোংমা ঙনখৎনা শগোলশেলগী নুমিদাং পূং ১০দা লোয়শিনখ্রে। অশেংবদি ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৫ দা লোয়গদবনি।

মীখলগী অরোইবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কককী ভোট থাদনগদৌরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পার্লিয়ামেন্টরি সিটশিং অদুদি দম দম, বরাসাত, জোয়নগর, মথুরাপুর, দাইমন্দ হারবর, যাদবপুর, কোলকাতা দখিন অমসুং কোলকাতা উত্তরনি।

# *চৌকিদার চোর হৈ কেক* কা লোয়ননা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস মীরেপকী মপোক নুমিৎ পাংথোকখ্রে

***থানে(মহারাস্ত্র), মে ১৭ঃ***
মহারাস্ত্রদা লোক সভা মীখলগী নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি) মীরেপ অমনা হন্দক্কী মীখল অসিদা ওপোজিসননা খ্বাইদগী য়ান্না নুংঙাইনা শিজিন্নরিবা খোল্লাও অমা ওইরিবা ওপোজিসন চোর হে হায়না থাবা কেক অমা কক্তুনা মাগী মপোক নুমিৎ থৌরম পাংথোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা করেন্নবা উৎখ্রে।




থানে কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা কোংগ্রেস –এন সি পি এলায়েন্স মীরেপ ওইরিবা এন সি পিগী আনন্দ পরাঞ্জপেগী মপোক নুমিৎকী কেক অদু হিন্দি লোন্দা ‘দেস কা চৌকিদার হী চোর হৈ’ হায়না ই। মীরেপ অসি ২০১৪দা শিব সেনাদগী এন সি পিদা চোংলকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শেঞ্জা থুমজা অমসুং অরানবগী মায়োক্তা মহাক চৌকিদার নৎত্রগা ৱাটচমেন অমনি হায়খিবা অদুবু ককথৎনবা হোৎনদুনা ওপোজিসননা চৌকিদার চোর হৈ হায়বা ৱাহৈ অসি পুথোক্তুনা মীখলগী খোল্লাও ওইনা শিজিন্নখি।

মহাকপু অরানবা তৌই হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াখিদে অমসুং রাহুল গান্ধীগী মপা অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীগী মথক্তা অকনবা মীচৈ অমা শিজিন্নখি।

হৌজিক এন সি পি– কোংগ্রেস এলায়েন্সকী অপূনবা মীরেপ ওইরিবা মিষ্টর পরাঞ্জপেনা শিব সেনাগী মীরেপ অমা ওইনা ২০০৯ জেনরেল ইলেক্সনদা কল্যান লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাকখি। ২০১৪দা মহাক শিব সেনা থাদোক্লগা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অদুমক্তুদগী শিব সেনা লিদর শ্রীকান্ত সিন্দেগী মায়োক্তা এন সি পি টিকেটতা লেপখি। অদুবু মীখল অদু মহাক মায়থিহৌখি।

মহাক্কী ইলেক্সন এফিদেবিতকী মতূং ইন্না মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়ারিং গ্রেজুয়েৎ অমা অমসুং এম বি এ দিগ্রি অমা পায়রবা মিষ্টর পরাঞ্জপেগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস ১৪ লৈরি।

# কোংগ্রেস মীরেপ সুনিল কুমার জাখরনা স্বিজ বেঙ্কতা লূপা ক্রোর ৭কী দিপোজিট দিল্লার তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ১৭ঃ***
মফম অসিদগী কোংগ্রেসকী লোক সভা মীরেপ ওইরিবা সুনিল কুমার জাখরনা ইলেক্সন কমিসনদা থাগৎপা এফিদাবিট অমদা লূপা ক্রোর ১.৫৩গী মোভেবল এসেটসতা নত্তনা মহাক্কী নুপীগী মিংদা স্বিজ বেঙ্ক অমদা লূপা ক্রোর ৭ হেনবগী দিপোজিট অমসু লাওথোকখ্রে।

মধ্য প্রদেশকী গভর্ণনর, লৈখিদ্রবা বলরাম জাখরগী মচানুপা, কোংগ্রেস নোমিনি অসিগী তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লূপা ক্রোর ১.২৩গী দিপোজিটশিং লাওথোকখি।

মহাক্না মাগী নুপী সিলবিয়া জাখরনা স্বিটজরলেন্দগী জুরিকতা জুরকের কেন্টোনেল বেঙ্কতা লূপা ক্রোর ৭.৩৭গী দিপোজিটশিং লাওথোকখি।

বেঙ্কসিগী ৱেবসাইটকী মতূং ইন্না জুরকেল কেন্টোনেল বেঙ্ক অসি খ্বাইদগী চাওবা স্বিস বেঙ্কশিংগী মনূংদগী অমনি হায়রি।

হৌজিক গুরদাসপুরগী এম পি ওইরিবা সুনিল জাখরনা সন্নি দিওল হায়না মীয়াম্না হেন্না খঙনবা এক্টর – পোলিটিসিয়ান অজয় সিংহ ধরমেদ্রা দিওলগী মায়োক্তা কন্টেষ্ট তৌরি।

মহাক্কী এফিদিবেটগী মতুং ইন্না মিষ্টর দিওলনা বেঙ্ক দিপোজিটশিং য়াওনা লূপা ক্রোর ৬০.৬কী মোভেবল এসেটসশিং অমসুং মহাক্কী নুপী লিন্দা দিওলগী লূপা ক্রোর ৫.৭৭২গী এসেটস লাওথোকখ্রে। মহাক্কী ইমোভেবল এসেটসতা লূপা ক্রোর ২১সু লাওথোকখি।

লোক সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্ক লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা গুরদাসপুর য়াওনা পঞ্জাবকী লোক সভা সিট ১৩ অদু লোয়নমক ভোট থাদনগনি।

# চহী ২৯গী মতূংদা অসামদগী অফস্পা লৌথোক্লবা আর্মিনা থৌরাং তৌখ্রে

***গুৱাহাতি, মে ১৭ঃ***
চহী ২৯গী মমাঙদা অসামদা চলাইখিবা আর্ম ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱারস) এক্ট ষ্টেট অসিদগী লৌথোক্লবা য়ানা লৈরে। সেন্টরনা আর্মিবু ষ্টেট অদুদগী হল্লক্লবগী থৌরাং তৌনবা হান্নন খংহনখ্রে।

উলফাগী লালহৌ য়ক লাওনা কনবা মতম ১৯৯০গী নবেম্বর ২৭তা ষ্টেট অসিগী মফম পূন্নমক দিষ্টর্ব এরিয়ানি লাওথোকখি অমসুং লালহৌবগী মায়োক্তা ওপরেসনশিং চংখবদা আর্ম ফোর্সশিংদা অখন্নবা শক্তিংশিং পীবা অফস্পা থমজিনখিবনি।

লাহৌবগী ইরাং ফগাৎলকখিবগা লোয়ননা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী আর্মি চহী কয়া অসিদা তপ্পা–তপ্পা হোংদোকখ্রে। হৌজিক আর্মিগী মহুৎতা পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা থৌদাং লৌখ্রে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা সেন্টরনা অসামদা অফস্পা শাংদোক্লবা নৎত্রগা লৌথোক্লবগী শক্তি পীখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসি অনীরক মতম শাংদোকখ্রে। মদু নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সগী ফাইনেল লিষ্ট ফোংগদৌরিবা অদুগী মরমদগীনি।

ষ্টেট অসিদগী থোক্লক্লবা তুংদা ওপরেসন য়ুনিটশিং কদাইদা থমগদগে থৌরাং তৌনবা ঐখোয়দা ইনফোর্মেল ওইনা খংহল্লকখ্রে হায়না সেক্যুরিটি লিখুল অমনা হায়খি।

# শিবগী চৈরাক ঙাইরিবা কনভিক ক্রাইম তৌখিবা মতমদা চহী ১২ খক্তা শুরি

***ন্যু দিল্লি, মে ১৭ঃ***
ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টতা থাগৎলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না অঙাং ২ য়াওনা মীওই ৭ হাৎপগীদমক চহী ২৪ জেলদা লৈরক্লিবা, শিবগী চৈরাক ঙাইদুনা লৈরক্লিবা কনভিক অদু ক্রাইম অদু তৌখিবা মতমদা মহাক সুপ্নগী ১২ খক্তা শুরিবা মরন্না মাবু শিবগী চৈরাক পীরোইবদবনি হায়রি।

ঙল্লিঙৈ চহী অসিদা হীরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা থাগৎলকউ হায়খিবা রিপোর্ট অদু কুপ্না য়েংশিনবদা জুবেনাইল অমদা শিবগী চৈরাক (কেপিটেল পনিসমেন্ট) কৈদৌঙৈদা পীরোইদবনি হায়না কোর্ট অসিনা হায়খি।

১৯৯৪দা অঙাং অদু ফাখি অমসুং হৌখিবা চহী ২০ লোম অসি ট্রায়েল কোর্টতগী হৌরগা প্রসিদেন্টতগী পার্দন হায়বদি ঙাকপীনবা হায়জবা ফাওবদা ফংবা য়াবা লিগেল রিমেদিজ পূন্নমক ফংখি। সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্টিব মতুং ইন্না প্রিন্সিপাল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসনস জজ, পুনেগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ক্রাইম তৌবা মতম অদুদা মীওই অদুগী মশাগী চহী ১২ নি হায়খি।

# মরী ফগৎলক্লবসু হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদগী য়ু এসনা রসিয়াগী মথক্তা সেঙ্কসন্স থমজিনখ্রে

***ৱাসিংটন, মে ১৭ঃ***
য়ু এস অমসুং রসিয়াগী মরক্তা উংখৎনবশিং হন্থহল্লগনি থাজনখিবা অৱাংবা থাককী ৱারী শান্নখিবা নুমিৎ খরনিগী তূংদা শক্লাইরবা রসিয়ান ওপোজিসন লিদর অমা হাৎপা য়াওনা রসিয়ানা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবশিংগী মতাংদা রসিয়ান ৫গী মথক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সেঙ্কসন্সশিং থমখ্রে।

রসিয়াগী হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা য়ু এস কোংগ্রেসনা আইনগী মখাদা থবক লৌখৎপগী মথৌ তাবা চহীগী রিপোর্ট অমা থাগৎলকখিবগা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মীওই ৫ অদুগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা খংহনখি।

য়ু এসনা সেঙ্কসন থল্লিবা মীওই ৫ অদুগী মনূংদা চেচেনিয়াগী লিদর রামজান কেদিরোবকা নক্লবা লমদম



অদুগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল রসলাল গেরেমেয়ব য়াওরি।

চহী ২০গী মমাঙদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা শক্তি পায়রকখিবা মতূংদগী খ্বাইদগী হাই–প্রোফাইল ওইবা মীহাৎতা দিসিদেন্ট অমা হাৎপগী থৌদোক – নেমটসোব মীহাৎকী ওর্গনাইজর অদু ওইবা য়াবা গেরেমেয়েৎকী মথক্তা থিজিন্নবা রসিয়ান ইনভেষ্টিগেটরশিংনা অনীরক হোৎনখি অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা মরানশিং শীবদগী থিংজিনখি হায়না য়ু এস ট্রিজরি দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

বোরিস নেমটসোব হায়রিবসি হান্নগী দিপুটি প্রাইম মিনিষ্টর অমনি। মহাক কোন্না প্রসিদেন্ট ব্লামির হুন্দুনা ঙাংবদা লূচিংবনি।

য়ু এসনা এলেনা এনাটোলিয়েবভেনা ট্রিপুলিয়া অমসুং গেনাদি কারলোব কৌবা রসিয়ান এনভেষ্টিগেটর অনীসু থিংজিনখি।

য়ু এসনা সেঙ্কসন থল্লিবা ৱাংহৌরিবা অনী অদুদি চেচেনিয়াগী টেরেক স্পিসিয়েল রেপিদ রেস্পোন্স টিম অমসুং মসিগী কমান্দর অবুজায়দ বিসমুরাদোবনি।

# এফ–১৬ জেট কালিফোর্নিয়া বিল্ডিংদা কায়খ্রে



***লোস এঞ্জেলিস, মে ১৭ঃ***
রুটিন ট্রেনিং এক্সরসাইজ ওইনা পাইখিবা এফ ১৬ ফাইটর জেট অমা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা সাউদর্ন কালিফোর্নিয়াদা লৈবা মার্চ এয়ার রিজার্ব বেজ হেক মপান্দা লৈবা ব্যারহাউস অমদা ক্রাস তৌখ্রে অমসুং মদুদা পাইলোট অদু ফাইটর অদুদগী চোংথোকহৌরে অমসুং লৈমায়দা লৈবা মীওই ৫ শোক্লে হায়না মিলিটরিগী ওফিসিয়েল অমনা হায়খ্রে।

ঙরাং অথেংবদা থাদোক্লককখিবা চেরোল অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস এয়ার ফোর্স রিজার্ব তা লৈবা ওফিসিয়েলশিংনা অশোকপশিং অদুগী চাং শেঙনা খংদ্রি অমসুং পাইলোট অদু মশাগী ফিভম য়েঙনবগীদমক মফম অদুগী হোস্পিটাল অমদা পুখ্রে হায়খি।

ফাইটর জেট অদু সাউথ দেকোটাগী সুইক্স ফোলদা লৈবা ১১৪সুবা ফাইটর ৱিংগনি অমসুং নোর্থ অমেরিকান এরোস্পেস দিফেন্স কম্মান্দ (এন ও আর এ দি) গীদমক ট্রেনিং মিসন অমা পাংথোপনি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

ফাইটর ক্রাস তৌবা অদুদা মৈসু চাকখি। মফমদুগী টেলিভিজন ষ্টেসন অমনা উৎলকখিবা থৌদোক মফম অদুগী ফোটোদা অচৌবা য়ুম অমগী য়ুমথক্তা অহোবা মখুল অমা উৎখি। লানগী প্লেন অদু পেসিফিক টাইমদা নুংথিল পূং ৩.৩০দা ক্রাস তৌখিবনি।

প্লেন অদুনা এয়ার বেজ অদুগী রনৱেগী অরোইবা মতোনদা লৈবা ব্যায়রহাউস অমদা থেঙ্গাইখিবনি হায়না বেজ অদুগী ৱাঙাংলোই মেজর পেররি কোবিংটননা টেলিফোন্দা রোইটসতা হায়খি।

# দুবাই প্লেন ক্রাসতা বৃটিস ক্রু অহুম শিখ্রে

***দুবাই, মে ১৭ঃ***
দুবাই এয়ারপোর্টকা য়ান্না নক্লবা মফম অমদা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা প্লেন অমা ক্রাস তৌবগী থৌদোক্তা সাউথ অফ্রিকান ১ অমসুং বৃটিস ৩ শিখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

য়ু কেদা রেজিষ্টর তৌবা দাইমন্দ এয়ারক্রাফ অদু ইন্টরনেসনেল হব অদুগী খারোমদা কিলোমিটর ৫ রোম লাপ্পদা ক্রাস তৌবনি হায়না সিভিল এভিয়েসন ওথোরিটিজগী ৱারোল পল্লদুনা দবলিয়ু এ এমনা হায়খি

সিট ৪গী প্লেন অদু এয়ারপোর্ট অদুদা টেরেষ্ট্রিয়েল নেভিগেসন সিষ্টেমস শেমজিন্নবা মিসন অমদা ক্রাস তৌখিবনি অমসুং মদুদা ক্রু মেম্বর লোয়নমক – বৃটিস ৩ অমসুং সাউথ অফ্রিকান ১ শিখি হায়না ন্যুজ এজেন্সি অদুনা হায়খি।

ইমিরেটস অসিগী গভর্ণমেন্ট মেদিয়া ওফিসনা মমাঙদা পীখিবা পাউদদি অপীকপা প্লেন অদুগী পাইলোট অমসুং কো –পাইলোট শিখ্রে হায়খিবনি। এয়ারক্রাফ অদু টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমদগী ক্রাস তৌখিবনি হায়রি।

দুবাইগী ইন্টরনেসনেল এয়ারেপোর্ট অসি মালেমগী খ্বাইদগী মী চিনবা এভিয়েসন হবশিংগী মনূংদা অমনি।

# দ্রগ স্মগ্লর ১০ শিবগী চৈরাক পীনবা ৱায়েল তাখ্রে




***হানোই, মে ১৭ঃ***
ভিয়েটনামদা ট্রেননা কেটামাইন, এক্সটসি অমসুং মেথামফেটামিন স্মগ্লিং তৌবগীদমক কোর্টনা মীওই ১০ শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱায়েল তাখ্রে হায়না ঙসি ষ্টেট মেদিয়ানা ফোংদোকখ্রে।

কম্যুনিষ্ট লৈবাক অসিনা দ্রগকী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপা হেনগৎলক্লি। গেঙ অসিনা ২০১৫ অমসুং ২০১৬গী মরক্তা অৱংথংবা ভিয়েটনামদগী খাথংবা ইকোনোমিক হব– হো চি মিন সিটিদা দ্রগ কিলোগ্রাম ৩০০ পুখিবনি হায়না ঙসি ষ্টেটকী মেদিয়ানা হায়খি।

হানোইদা চয়োল অসিদা ৱায়েল চথরবা তূংদা নুপী ৫, নুপা ৫ শিবগী চৈরাক পীনবগী ৱায়েল তাখি, অদুগা অতোপ্পা ২বুনা জেলদা পূন্সিচুপ্পা লৈনবগী চৈরাক পীখি।

রিঙ লিদর ২ অদুদা দ্রগশিং অদু পুনবগীদমক দোল্লর লিশিং চা কয়া পীখি হায়রি।

মালেমগী মনূংদা খ্বাইদগী কনবা দ্রগ লো খরগীদমক চাওথোকচরিবা ভিয়েটনামদা দ্রগ ময়াম অমা হন্দক ফাখিবগী মখা চথরকপদা ৱায়েল অসি লাকখিবনি।

হেরোইন গ্রাম ৬০০তগী হেন্না অমসুং মেথামফেটামিন কিলোগ্রাম ২.৫তগী হেন্না ফাবা মীওই অমা শিবগী চৈরাক মায়োক্লে।

হৌখিবা চয়োলদা পুলিসনা হো চি মিন সিটিদা কেটামিন টন তঙ্খাই অমা ফাখি অমসুং টাইৱানিজ ৩ অমসুং চাইনিজ অমা ফাখি। মদুসু সিটি অসিমক্তুদা মেথামফেটামিন টন অমা অমসুং কেটামিন টন অমরোম ফাখিবগী চয়োল খরগী তূংদনি। ভিয়েটনমিজ নহাশিং অসিগুম্বা সিন্থেটিক দ্রগশিংদা কন্না ওনশিলক্লি।

**সনা–সুদোকু – ১২৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 8 | 2 | 1 | 3 | 6 | 9 | 4 | 7 |
| 9 | 7 | 3 | 2 | 4 | 8 | 5 | 1 | 6 |
| 4 | 6 | 1 | 9 | 7 | 5 | 2 | 8 | 3 |
| 2 | 5 | 9 | 6 | 8 | 3 | 1 | 7 | 4 |
| 3 | 4 | 6 | 5 | 1 | 7 | 8 | 2 | 9 |
| 8 | 1 | 7 | 4 | 9 | 2 | 6 | 3 | 5 |
| 7 | 2 | 8 | 3 | 6 | 9 | 4 | 5 | 1 |
| 6 | 3 | 4 | 8 | 5 | 1 | 7 | 9 | 2 |
| 1 | 9 | 5 | 7 | 2 | 4 | 3 | 6 | 8 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-124**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | 6 | | | 9 | | 4 | |
| 8 | | 2 | 4 | 5 | | | | |
| | | 3 | | | 8 | 5 | | 1 |
| 2 | | 1 | | | 5 | | | 4 |
| 5 | | | 1 | | | 2 | 9 | |
| | 4 | 9 | | 2 | | | 5 | |
| | 6 | 4 | 5 | | | 9 | | |
| | 2 | | 6 | | 1 | | | 5 |
| 1 | | | | 4 | | | 2 | |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 01/04/19
Valid : 17/04/19
Sl. No. : From 908 to 9570
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Ereicha Indane, Lilong**
Booking : 02/05/19
Valid : 25/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stok : 612, 19kg & 5kg Avila
Time : From 08.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 08/04/19
Valid : 30/03/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 27/04/19
Valid : 21/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Lambofara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nil
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 21/04/19
Valid : 17/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 13/04/19
Valid : 12/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**J Rongmei Sk Indane**
Booking : Up to Sl. No. 38780
Valid : From Sl. No. 38431
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 15/04/19
Valid : 10/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 10/04/19
Valid : 04/04/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Patsoi Indane Service**
Booking : 24/04/19
Valid : 11/04/19
Sl. No. : 99
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 25/04/19
Valid : 24/04/19
Sl. No. : 29299 to 29747
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**Phayeng Indane**
Booking : 25/04/19
Valid : 10/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 19/02/19
Valid : 08/03/19
Sl. No. : up to 43840
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Loktak Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 250
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 15/03/19
Valid : 03/03/10
Sl. No. : 53550
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.